# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 08-04-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলাইশিং ফাগৎলে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টতগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ অনিগী মীওই অনি ঙরাং ফারে।

**অমসুং**

৩) রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি ম্রমুনা ঙরাং লিসবোনদা পোর্তুগলগী রাস্ত্রপতিগা ৱারি শান্নখ্রে।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলাইশিং ফাগৎলে। মণিপুর পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমদা হায়-চুরাচান্দপুর জিলাগী লোইলমকোৎ অমসুং নালোন ভিলেজগী মনুং চন্না লৈবা থাংজিং হিলসতা থিবা হুম্বগী চথবদা এ.কে ফোর্তি সেভেন রাইফল অমা, মেগজিন অমা, তুয়েল্ব বোরগী এস.বি.বি.এল নোংমৈ অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অনি, মেগজিন অমা, ফুট নিপান শাংবা রোকেট মঙা, হেলমেট অনি, বুল্লেট প্রুফ জেকেট মঙা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, মোর্তার বোম মঙা, এ.কেগী কাপ্পা য়ারিবা মরু মরি, থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী কাপ্পা য়ারিবা মরু অনি, ৱায়রলেস সেট অমা ফংলে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈরাউ ৱাংখেম অমসুং মসিগী অকোইবা ঙারিয়ান চিংখোঙগী মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা থ্রি নোট থ্রি এল.এম.জি অমা, মেগজিন অমা, থ্রি নোট থ্রিগী স্নাইপর রাইফল অমা, মেগজিন অমা, সেভেন পোইন্ট সিক্স টুগী এস.এল.আর অমা, মেগজিন অনি, তুয়েল্ভ বোরগী শিঙ্গল বেরেলগী নোংমৈ অমা, মেগজিন য়াওবা নাহন এম এম পিষ্টোল অনি, এল.এম.জি কার্বাইনগী মেগজিন মঙা, ইন্সাস এল.এম.জি মেগজিন অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, পোখাইবা য়াবা পোৎলম মরি, সেভেন পোইন্ট সিক্স টুগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৫৫, থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৩৯, নাইন এম এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু মঙা, পোইন্ট থ্রি টুগী মরু অনি, তিয়র স্মোক গ্রেনেদ মরি, তিয়র গ্যাস গন অমা, বুল্লেট প্রুফ জেকেট নিপান ফংলে।

কাংপোকপী জিলাগী এন বোলজাং অমসুং জিরো পোইন্টতা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্সকী ইন্সাস রাইফল অমা, মেগজিন অমা, পোইন্ট টু টু গী পিষ্টোল অমা, মেগজিন অনি, বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, প্রোজেক্তাইল লোঞ্চর অমা, মোর্তার বোম ১৫ ফংলে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস স্তেসননা কোনবা কৈরাও ৱাংখেমদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক্কী মীওই অমা ঙরাং ফারে। অতোপ্পা থৌদোক অমদনা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ পুলিস স্তেসননা কোনবা শিংজমৈ মখা খোঙনাং ফৈদেকপীদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ য়ু.পি.পি.কেগী মীওই অমসু ফারে। মহাক মীয়াম, লন্নাই মহৈ তমফমশঙ অমসুং কোলেজশিংদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীশকি হায়রি। মঙোন্দগী চাকা অনি পানবা গারি অমা, মোবাইল ফোন অমা লৌখৎলে।

নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী অমদি নেসনেল হায়ৱে-৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা পোৎ পুবা গারি মথং শিংনা ৩৫৪ অমসুং ২২৪ ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে।

**ইভিক্সন(এল) ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতিনা জিলা অদুগী তাফৌ লিয়াংমৈদগী রিখুমাই তাফৌ এরিয়াদা নেসনেল হায়ে
ৱ টুগী লন্বী মপান্দা আইন কাইনা য়ুম কৈ শাজিল্লন্বশিং ঙরাং তকথোকখ্রে। লন্বী মপান্দা মিতর ১০ না কোনবা মফমশিংদা আইন কাইনা শাজিল্লন্বশিং তকথোকপগী থবক অদু ঙরাং চথ্খিবনি। মফম অদুদা, আইন কাইনা শাজিল্লন্বশিং মশা মশানা শিদোকচনবা হান্ননা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি।

**পৱর(এল) ঃ** মণিপুর ষ্টেট পৱর কম্পনি এমপ্লোয়িস এসোসিয়েসননা কম্পনি অসিদা মখা তানা কৎথোকপগা লোয়ননা মথৌ পাংথোকখিগনি হায়রি। এসোসিএসননা থোকপা চেরোল অমদা হায়-কম্পনি অসিগী কর্মচারিশিংগী ফংফম থোকপা কান্নবশিং নিংথিনা ফংলি। কর্মচারিশিংগী প্রমোসন অমসুং অতৈ খুদোংচাবা কয়া ফংবা ঙমদ্রে হায়না মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম এসোসিএসননা য়ানিংদে হায়রি।

**ক্লাইমেত (এল)ঃ** সষ্টেনেবল এগ্রিকলচর ফোর লাইভলিহুদ দিভলপমেন্ট হায়বা হিরমদা নুমিৎ হুমি চথগদবা ৱার্কসোপ অমা লমফেলপাৎ ইম্ফালদা লৈবা আই.সি.এ.আর মণিপুর সেন্তরগী লোক্তাক ফারমর্স হোষ্টেলদা ঙরাংদগী হৌখ্রে।

আই.সি.এ.আর মণিপুর সেন্তর অমদি কোকোমি ফারমর্স ৱিংনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা মহৌশাগী খলদা অহোংবা কয়া লাকপনা মরম ওইরগা লৌউ শিংউদা চাউনা অকায়বা পীরি। মসিদগী ঙাকথোকবা ঐখোয় পুমমকা লন্বী অমা শেমদুনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে হায়না ফোঙদোকখি । হয়েং ফাওবা চথগদবা ৱার্কশোপ অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা লৌমী কয়া শরুক য়ারি।

**রেবিস(এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাদা রেবিস লায়না শন্দোরক্লে হায়রিবদু য়েংলগা মীয়ামা কা হেন্না মীপাইদিনবা রাজ্যগী দাইরেক্তরেট ওফ ভেতিরিনরি এন্দ এনিমেল হজভেন্দরি সর্ভিসেসনা আপিল তৌরি। হিরম অসিগা মরি লৈননা ইম্ফালগী শঞ্জেং থোংদা লৈবা ফামর্স ত্রেন্নিং হোলদা দাইরেক্তরেট অসিগী দাইরেক্তরনা সভাপতি ওইদুনা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীয়ামা রেবিস লোইনাদগী ঙাকথোকবা মাংজোননা হুইশিংদা তিকা থাদোকবা মীফম অদুনা আপিল তৌরি।

**মুরমু ঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙরাং লিসবোনদা পোর্তুগলগী রাস্ত্রপতিগা ৱারি শান্নখ্রে। ৱারি শান্নবা অদুদা, রাস্ত্রপতিনা ভারত অমসুং পোর্তুগল লৈবাক অনিগী মরি অসি য়ামা ঐতিহাসিক ওইবা মরি অমনি হায়না শিংথাখি। ৱারি শান্নবা লোইরবা মতুংদা রাস্ত্রপতি অনিনা পুন্না থোকপা চেরোল অমদা হায়-লৈবাক অনিনা লল্লোন ইতিক অমসুং শেল থুমগী ফীভম হেন্না ফগৎহন্নবা অমগা অমগা তেংবাং পীননবা য়ানখি। তেংবাং পীনগদৌরিবা হীরমশিংগী মনুংদা লল্লোন ইতিক, রিন্যুয়েবল ইনর্জি, গ্রিন হাইদ্রোজেন, আই.টি, স্তার্ট অপ অমদি অতৈ হীরম কয়া য়াওরি। মসিগী মথক্তা লৈবাক অনিনা টুরিজম, শিক্ষা অমদি অতৈ লম কয়া তেংবাং পীনবা হায়নসু য়ানখি। রাস্ত্রপতি মুরমুনা হায়-লৈবাক অনিনা হীরম কয়াদা তেংবাং পীননবা ৱারি শান্নবা অদু তশেংনা মাই পাকপা অমনি।

**--সাউন্দ বাইট--মুরমু**

**মুদ্রাঃ** লৈবাক অসিদা লল্লোন ইতিক মচা মচা তৌবশিংদা লূপা লাখ ১০ ফাওবগী শেন্থং পীথনবা ইং কুমজা ২০১৫ হৌদোকখিবা প্রধান মন্ত্রি মুদ্রা য়োজনাগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা লূপা কোতি লাখ ৩২গী শেনফম লোন ওইনা

পীথখ্রে। লোন পীথরিবা শেনফমশিংদি সিসু লোনদা লূপা লিশিং ৫০, কিসোর লোনগী ওইনা লূপা লাখ ৫ ফাওবা অদুগা, তরুন লোনদা লূপা লাখ ১০ ফাওবনি । প্রধান মন্ত্রি মুদ্রা য়োজনা হৌদোকখিবা ঙসি চহী ১০ মপুং ফারে। দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইনান্সিয়েল সর্ভিসেসকী পাউনা হায়-পীথখ্রবা লোনশিংগী মনুংদা চাদা ৬৮ লোমদি নুপীশিংনা ফংলে। মসিনা মশানা মশাবু থবক পীজবদা হেন্না খুদোংচাহল্লে ।

**ম্যান্মারঃ** ম্যান্মারদা হন্দক য়ুহার হাবদা অমাং অতা থোকখিবা অদুগী য়েংলগা ভারতনা তেংবাং পীবগী থবক মখা তানা চত্থরি। মখা তানা তেংবাং পীথনবগীদমক ম্যান্মারদা লৈবা ভারত এম্বেসিগী এম্বেসেদর অবে থাকুরনা ম্যান্মারগী উপ-প্রধান মন্ত্রি তিন ওংসাং অমদি মরি লৈনবা মন্ত্রিশিংগা নেপীতাওদা ঙরাং ৱারি শান্নখ্রে। ওপরেসন ব্রহ্মাগী মখাদা তেংবাংগী পোৎলমশিং অদু মখা তানা পীথনবা খন্নখি। শ্রী থাকুরনা ম্যান্মারগী পিনমানাদা লৈবা কালি অমন লাইশঙদা চত্তুনা মফম অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিংগসু উনখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

প্রেট্রোলদা লুপা ১৩, দিজল লিতরদা ১০, চাকথোং গ্যাসতনা লূপা ৫০ লৈবাক শিনবা থুংনা হেনগৎখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মণিপুরদসু মফম কয়াদা ৱার্ল্ড হেলথ ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না সনালৈবাক্কী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

রেবিস থেংননবা থবক লৌখৎলে: দাইরেক্তর, চুরাচান্দপুরদা হুই লিশিং ৪,৪০০ হেন্না রেবিস ভেক্সিন কাপথোকখ্রে হায়না পোকফম পাউচেদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

দেল্লি মীফম অহানবা খোঙথাংনি হায়না ফোক্সকী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দাইরেক্তোরেটনা উখ্রুলদা নেচরেল স্প্রিং(লোক্কী ঈশিং) য়োকখৎপগী থবক মাই পাকা চংশিল্লি হায়বা পাউ অমা পীপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

জিরিবামগীদমক চৎখিবা হোম গার্দ ২১ কনভোই য়াওদ্রবদি চৎপা ঙমদবনা লমখাংদা অহিং লেকখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

জিরিবাম তমা হেরোইন নম্বর ফোর গ্রাম ৩০০ হেন্না পুরন্বা নুপী অনি পুলিসনা ফাবগী পাউ অমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সেন্সস ২০০১ গী রিপোর্টতা দিলিমিতেসন তৌবা য়ারোই: কম্মিতি হায়না ইচেল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

য়ুহার হাখিবগী অৱাবা মায়োকরিবা ম্যান্মারদা খুন্দারিবা মৈতৈশিংনা তেংবাং পীবীনবা হায়জরক্লি হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

ৱাকফ বিল পাস তৌখিবগী মায়োক্তা লিলোংদা হিংশা থোকখ্রে হায়বগী পাউ মণিপুর মেলদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা-সেনাপতি জিলাগী মফম কয়াদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা লম খোপচিল্লম্বশিং তকথোকখিবগী পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

য়ু.এন.সি, অন্সম অমদি এন.দব্লিয়ু.য়ুনা লৈমখোঙ আর্মি কেন্তোনমেন্ট মনাক্তা লৈবা কোন্সাখুলগী খুঞ্জাশিংদা চথখিবা মথোং হুক্তবগী থৌওংবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি হায়না গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা-বি.জে.পি ষ্টেট মাইনোরিতি ৱিংগী চিফ অস্কর অলিগী য়ুম খোইশাওনরবা লিলোংগী মীয়ামা মৈ থাদোক্লম্বগী পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**